## এডিটোরিয়েল

# লৈঙাক্কী খোঙথাংসি থাগৎনিংঙাইহনি

ষ্টেট অসিদা হৌখিবা চহী কয়া অসি মপুং ওইনা জুন অমসুংজুলাইদা বন্দ অমসুং ব্লোকেদ তৌরে হায়দুনা নেস্নেল হায়ৱেশিং থিংজিনবগী খোঙজং কয়া চত্থদুনা অদুম্মক লাকখিবনি। মতমদুদা ষ্টেটনা ঙম্লগা হায়রিবা মতম খরদুদা নমদুনা নেস্নেল হায়ৱেশিং হাংদোকহল্লগা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা গারী খুদিংমক পুশিল্লকপা ঙমখি। অদুবু হন্দক্কী চহী ২০১৬ অসিদদি ষ্টেটনা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম অসি ঙাক্না থম্বা মতমদা থৌরাং অমা হেক্তা তৌদুনা পোৎ পুম্বা পুশিল্লকপা ঙমখ্রগসু ষ্টেটসিগী এসেমব্লি ইলেক্সন অসি মাঙদা তাদুনা লৈরবা মতম ওইবনা ব্লোকেদ তৌরিবা কাঙবুনা মখোয়গী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপদা ষ্টেটনা তুমিন্না লৈশিল্লগা থৌশিল অদু এন এস সি এন (আই এম ) অমদি মখোয়গী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসন ওইরিবা য়ু এন সি অনীগা ভারত সরকারগা নৈনগদবা হিরম অমনি হায়না ইহ্বোকখিবা অসি মণিপুর মীয়াম্না ৱারবসু ৱানা ঙসিসু খাঙলগা লৈরিবসি চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগী অচৌবা পোলিটিকেল লাল্লোং অমনি হায়না খঙনবা লৈরিবা মীয়াম্নি হায়না লৌবা তাই। ৱাবগীদি হায়নিংঙাই লৈত্রে। চৎথোক–চৎশিনগী মতাংদা পেত্রোল অমসুং দিজল থাউ ফংদবগী প্রোব্লেম অমা লৈবনিনা সরকারনা কন্ত্রোল তৌবা ঙমদবা মওংদা ওটো রিক্সোদগী হৌরগা পেসেঞ্জর গারী খুদিংমক্কী ওইনা ভারা হেনগৎখ্রে। মসি লৈঙাকসিনা থিংবা ঙম্বগী ৱাংমদনি। মসিদসু মীয়াম্না অদুম্মক অৱাবা পূন্নমক খাঙলগা ৱাহে অমফাওবা মীয়ামগী লূপশিংগী মায়কৈদগী থোক্লক্ত্রি। মসিমক ঙসিগী লৈঙাক অসিগীদমক মীয়াম্না লেপখিবনি হায়না লৌবসু য়াই। অসিগুম্বা লৈঙাক অসি অমুক হল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু মীয়ামদা লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা পোলিটিক্সকী লাল্লোংসু ঙসিগী লৈঙাকসিনা মায়–পাকপা অমা ওইরে হায়না লৌবা য়াই। লৈঙাকসিগী ওইনা মমাঙদা শেল–থুমগী ফিভম য়েংলগা গর্ভর্নমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিং অৱাৎপা কয়া লৈবদগী মী হায়বদি ইমপ্লোইয়িশিং হাপ্পা ঙমদবগী মওং অমদা লৈরম্বা অদুসু তঙাইফদবা কয়া অমা খল্লগা হৌজিক্তি দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী অৱাৎপা ফমশিং মেনশিন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎখ্রে। মসি শাংনা লৈরক্লবা ঈশু অমনি হায়বসি মীয়াম অমদি লৈঙাকসিনা খঙবা পোৎনি। অসিগুম্বা হিরম কয়াদা লৈঙাকসিনা য়েংশিল্লকপা অমসুং অৱাৎপশিং মেনশিন্নবা হোৎনরকপা অসি পোলিটিক্সকী ওইবা হিরম অমনি হায়না লৌবা তারগসু মপুংওইবদি ৱারবা অমসুং মতম শাংনা লৈঙাকসিগী মখাদা চপ চাবা মথৌ পাঙথোক্তুনা লাক্লবা ইমপ্লোইয়িশিং অদুগী কন্ট্রিব্যুসন অদু খঙই হায়বগী ইঙ্গিৎ অমনি হায়না লৌবা তাই।

মতাংসিদনি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা অমুক ষ্টেট লৈঙাক অসিদা হল্লকপা মতমদা মখোয়না পীখ্রিবা থাজবা অদু থবক্তা ওহ্বোক্লবা মতুং করম্বা মখলগী খুদোংচাবশিং মহাক্কী লৈঙাক্তা লৈরিঙৈ মতমদা ফংহৌদ্রবগে হায়বদু অমুক য়েংশিল্লক্কনি হায়বগী থাজবদু পীরবরা হায়বা ৱাহং অমা লাক্লিবনি। চহী ১৫ গী ষ্টেট লৈঙাক পায়রকপা মতমদা মখোয়গী ওইবা খুদোংচাবা অমত্তা ফংখিদ্রবা ইমপ্লোইয়ি কয়া অমা লৈরি অমসুং মখোয় অদু থোকখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না কন্দাইফাওবা য়ৌনা খুদোংচাবা পীগদৌরিবগে হায়বদু অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপা মতমদা খঙগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মদুগী থাজবদুনা মরম ওইরগা অমসুং ওইরিবা লৈঙাক্কী ইমপ্রুভমেন্ট অসিনা মরমওইরগা মীয়াম্না শোয়দনা লৈঙাকসিদা থাজবা পীরক্কনি হায়বগী ওইথোকপা লৈ। অদুবু ওইথোকহল্লবা মতুং মীয়ামগী থাজবদু মাঙহল্লকপা তারগদি লৈঙাকসিসু পোলিটিকেল পার্টি অমদা ওনখিবগী ওইথোকপা লৈব্রা হায়বসিসু য়েংলিবনি। খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনবা হায়বসি মীওইবগী হৌনশানি। অদুবু মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবা হায়বসিদি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী মাঙজবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মতম চাদবা সার্ভিস এক্সটেন্সন পীরবদি মতীক চাবা চৈরাক পীয়ু

**ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,**

মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা সরকারনা থেংলবসু থেংনা থৌনা ফবা থবক খরা লৌখৎলকপদা মীয়াম্না মপী মপা অমা ওইনা করিগুম্বা অচংবা থবক খরদি তৌরে হায়না থাগৎপা ফোংদোক্লক্লি। অদুগা অমরোমদনা হৌজিক হৌজিক মশক নাইবা মন্ত্রি অমগী মীনি হায়জবা মীওই অমনা ট্রাইবেল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী লোইশঙদা ২০১২ দা থবক্তগী পোখাখ্রবা কর্ম্মচারি অমগীদমক অমুক পোষ্ট এক্সটেন্সন তৌননবা মণিপুর সেক্রেটরিয়েটতা ফাইল মশানা পুর–পুরগা ৱানোমলি।

লাকচনিংলিবা ৱাফমদি সার্ভিস পোষ্ট এক্সটেন্সন মরিরক তৌখ্রবা মীওই অমবু মঙারক হন্না পোষ্ট এক্সটেন্সন তৌননবা প্রেসর পীরক্লিবা মন্ত্রি অদুবু হঙ্গোইবদগী কর্ম্মচারিশিং অদুনা নৎত্রগা ওফিসার অদুনা অয়াবা পীবা থোক্লবদি চেন্নরিবা মীওই খুদিংমক আইনগী মতুং ইন্না ফন্দামেন্টেল রুলস থুগাইবগীদমক্তা দন্দী ফংলোইদবগী মরম করি লৈ। নৎত্রগা মমাঙদা পোষ্ট এক্সটেন্সন পীখিদবা মণিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা অমদি জষ্টিস কোটেশ্বরনা তাখিবা রায়দা ভিক্তিম ওইহৌখিবা মীওই পূন্নমকসু অমুক হিংগৎহনফম থোক্তব্রা? মদুগী মথক্তা মীওই অমবুনা অতম্নমা ৫ রক অয়াবা পীবা তারগদি অতৈ মীওই পূন্নমকপুসু অয়াবা পীফম থোকই। আইনগী মীৎয়েংদা অচৌবা পীশক খাইদে। মীওই খুদিংমক মান্নবা মীৎয়েং অমা য়েংফম থোকই হায়বা ৱাফম অসি থমজরি। ফাইনান্স অমদি মণিপুর চীফ সেক্রেটরীগী অকনবা মীৎয়েং চংশিনহন্নিংই।

**অদোমগী**
**সোলোমোন মঙাং**
**ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর**

# ফিজেৎ লৈতেং অমা ওইনা ‘‘পোৎলোই’’

**মুতুৱা বহাদুর**

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মঙলান্দা উখিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী শক্তম লাক্তুনা কাইনা চীংদগী য়াল্লুবা হৈবোংনা মুর্ত্তি শারগা খৃঃ ১৭৭৯ গী হিয়াঙ্গেগী নিনি পানবা ইরাই–নুমিত্তা, শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী অঙ্গ মুর্ত্তিবু অভিষেক তৌখি। মদুগী মতুংদা রাজর্ষিনা লৈবাক্কী অখঙ–অহৈ বাস্কন পণ্ডিতশিংগা তানদুনা চহীদুমক্কী হিয়াঙ্গৈ থাগী ১১ নি নোংমাইজিং নুমিত্তা লাংথবাল (কাঞ্চিপুর) দা রাস মণ্ডল শেমদুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা ‘জগোয় রাস’ কৎখি। মদুনা মণিপুরগী অহানবা জগোয় রাসনি। রাস অদুদা শরুক য়াখিবী গোপীশিং অমদি রাধিকানচিংবনা শেৎন–লৈতেংনখিবা ফিজোল অদুবু ‘কুমইন পোৎলোই’ হায়না খঙনখি। ঙসিসু খঙনরি। শ্রী কৃষ্ণনা থোনলিবা ফিজোলবুসু ‘পোৎলোই’ হায়না অদুম্মক কৌনৈ।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা জগোই রাস মখল অহুম শেম্বীরম্মী। মহারাস, কুঞ্জরাস বসন্তরাস। মতুং তারকপদা খৃঃ ১৮৩০ দগী খৃঃ ১৮৮৬ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্তা ‘নিত্যরাস’ হায়বা রাস মখল অমসু শেম্বীরম্মী। মতুং অমুক খৃঃ ১৮৯১–১৯৪১ ফাওবা পাল্লম্বা মহারাজ চুরাচান্দ সিংহনা ‘দিবা রাস’ হায়বা অনৌবা রাস মখল অমগা অমুক শেমগৎপীদুনা থম্বীরম্বদগী মণিপুরদা জগোয় রাস মখল মঙা লৈরে–মহারাস, কুঞ্জরাস, বসন্তরাস, নিত্যারাস অমসুং দিবারাস।

অশুম্না লৈরকখিবা– হৌদোরকখিবা জগোয় রাসকী মপুঙ ওইবা ফিজোলদি শ্রীমতি রাধিকা অমদি গোপীশিংনা লৈতেংনদুনা থোন্নরিবা ‘পোৎলোই’ হায়বসিনা অসুম্মক ওইরক্লি। তৌবতবু জগোয় রাস মণ্ডল ওইরিবা মফমগী খেন্নবা মতুংইন্না ফিজেৎ লৈতেংগী শরুক খরদা খেন্নবদি লৈরক্লি। সনা কোনুংগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মান্দপতা কৎপা রাসশিংদা গোপীশিংগী কোক্কী লৈতেং অসি ‘কোক্তুম্বী’ হায়না খঙনবা লৈতেং অমা হাপ্পা চৎনৈ। মসি অমুক অতৈ মফমদদি শীজিন্নবা য়াদে। কোনুংগী রাস মণ্ডলদা কৎপা জগোয় রাসতা শ্রী রাধা কৃষ্ণগী শক্তম লাংবা (মহুৎ–শিনবা) থোক্তে। শ্রী রাধা–কৃষ্ণগী অঙ্গ মুর্ত্তিনা ভদ্রচক্রদা লেংশিল্লগা গোপীশিংনা থৌগল তৌদুনা জগোয় শানৈ। খুল্লক–ইরক্তা কৎনবা অমদি সগোলবন্দগী শ্রীশ্রীগোবিন্দজিয়ুগীদা কৎপা রাসতদি নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচানা শ্রীরাধা–কৃষ্ণগী শক্তম লাংদুনা জগোয় কৎনৈ।

জগোয় রাসতা রাধা–কৃষ্ণ অমদি গোপীশিংনা শেৎনবা ফিজেৎ লৈতেংশিং অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা মাগী মঙলান্দা উবীখিবশিংবু লাকশিন্দুনা সনা কোনুংগী ইবেম্মগী অমদি মতমদুগী শৃঙ্গার কাবী ইমা–ইবেলশিংগা তানরগা শ্রীকৃষ্ণগী পোৎলোই, রাধা অমদি গোপীশিংগী পোৎলোইশিং অসিবু জগোয় রাসকীদমক্তা পুথোকপীরম্বনি।

শ্রীকৃষ্ণগী পোৎলোইদি খ্বাঙদা সনা ফিগে, ফৈজোম , খোঙদা নোপুর, নিংদা ধোরা অদুগা লেংবান্দগী য়াম্থরকপা ফজরবা ফি অমনা খুউ য়ৌনা লৈতেংই। ঙক্তা মনিরত্ন, বনমালা লৈতেংই, কোক্তনা ৱাহোংগী চুরানা লৈতেংই। খুদাংদা তাল, খুজিনচিংবা শিবগা লোয়ননা খুত্তনা বাঁসি থোনলি। অসিগুম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা নিংজ–পামজখিবা মতুংইন্না জগোয় রাসকীদমক্তা শেমখিবা শ্রীকৃষ্ণগী পোৎলোই মখল অসিবু ‘নতবরবেষ’ হায়না খঙনরকখি। হায়রিবা ‘নতবরবেষ’ অসি লাংথবালদা কৎখিবা ইহান হানবা জগোয় রাস অদুদদি শ্রীশ্রী গোবিন্দগী অঙ্গ মুর্ত্তিমক্তা থোনখি।

শ্রীমতি রাধিকানা লৈতেংলিবা পোৎলোই মওং–মতৌ অমদি খুৎশেৎনচিংবা গোপীশিংগা খেন্নবা লৈতে। খেন্নরিবা হায়ববু শ্রীমতি রাধিকা অমসুং চন্দ্রাবলি অনীগী পোৎলোই মচুনা অশংবা ওইরগা গোপীশিংগীনা অঙাংবা মচু ওই। লিৎনরিবা ফুরিৎনা অঙাংবা নৎত্রগা অশংবা মচুগী রেসম ফুরিৎ ঙাক্তমক লিৎনৈ। ফুরিৎকী মথক্তা অঙৌবা মচুগী ফি অমনা সেগ্রাক মপা, থবাক্কী অকোইবদা খ্বাঙ মপা ফাওবা য়ৌনা চেৎনা য়েৎশিনলি। মসিবু ‘থবাকয়েৎ’ হায়না খঙনৈ। ঙক্তনা মথং–মনাও নাইনা মখল কয়াগী লিকশিংনা লৈতেংই।

শ্রীমতি রাধিকা অমদি গোপীশিংনা ঙক্তা লৈতেংনরিবা লিকশিংগী মনুংদা মমিং পনবা য়াবশিংদি – ঙকশম পকপী, মরৈ পরেং, সবুং ঙাঙ্গোই, সন্দ্রেম্বী পরেং, হৈবী মপাল অসিনচিংবনি। নাদা ‘চোম্মায় হায়বা সনাগী লৈতেং অমা য়াম্থনৈ। কোক্তত্ত কোক্তুম্বী অমা হাপ্লগা, মথক্তা লৈকাই–লৈকাইগী মতুংইন্না লুহোংবদা পোৎলোই শেৎপা য়াদে হায়দুনা শেৎনদবসু য়াওনরি। খুদম ওইনা মণিপুরগী অন্দ্রো, থাঙ্গ অমদি য়াইরিপোক্লচিংবা মফম খরদদি লুহোংবদা নুপীনা পোৎলোই শেৎনদে। অদুবু ৱাফম অমদি মণিপুরদা পোৎলোই হৌরকখিবগী চপ –চাবা ৱারী –ৱাখোঙদি



অপাবা অঙৌবা ফি অমনা কুপশিল্লি। মদুনা মাঙলোমদা লেংবান মপা ফাওবতমক চোম্থহল্লগা তুংলোমদা চোম্থরিবা শরুক অদুনা খ্বাঙদা য়েপশিল্লি। রাধা অমদি গোপীশিংনা খ্বাঙদা থোনলিবা পোৎলোইবু ‘কুমইন পোৎলোই’ হায়নসু খঙনৈ। খ্বাঙদা শেৎলিবা পোৎলোইগী মথক্তা ইকোয়–কোয়না পোশৱান হায়বা অমা হাপ্পী। অসুম্না জগোয় রাসকীদমক্তা হৌদোক্তুনা চৎনরকখিবা পোৎলোই অসি মতমগী য়াওলদা, অতৈ অতোপ্পা থবক থৌরমসিদসু শীজিন্নবা খঙনরগসু, মসিবু লাই হরাউবা অমদি লুহোংবদা শেৎনরকখিবা অসিমদি করম্বা মতমদা কনানা কমদৌনা ইহান–হান্না হৌদোরকখিবগে হায়বগীদি চপচাবা খঙনদ্রি। মায়কৈ অসোমদসু য়াম্না কুপশিন্না থিজিনবা অমা চংলি। ৱাফম অসিদি, মণিপুরদা খুন্দারিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী লুহোংবদা নুপীনা পোৎলোই শেৎনরক্লিবা অসিমক্তসু থোক্লি।

লুহোংবদা অমদি লাই হরাউবদা শেৎনরিবা পোৎলোইগা জগোয় রাসতা



চৎনরকখি।

মৈতৈশিংনা চেকশিন্না পাঙথোক্লরিবা ‘লাই হরাউবা’ হায়রগা খঙনরিবা নাৎকী থৌরম অসিগা মরী লৈননা জগোয় থৌগল তৌনবা মতমদা নুপীশিংনা পোৎলোই শেৎনবা য়াওরি। খুদম ওইনা –মোইরাং থাংজিং হরাউবদা নুপীশিংনা পোৎলোই শেত্তুনা থৌগল তৌনৈ। হৌজিক থাংজিং লাইশঙগী ফক্লাং মায়কৈ অহুমগী মনুং থংবা শেৎলিবগা মচল অমদি মচুদা খেন্নবা লৈ। জগোয় রাসকী পোৎলোইদা হাপ্লিবা পেশৱান হায়বসি অতৈগীদা হাপ্নদে। কোক্তনা কজেংলৈ হাপ্নবসু য়াওই।

বাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা জগোয় রাসকীদমক হৌদোকপীরকখিবা পোৎলোইগী লৈতেংশিং অদু মতুং তারকখিবা নিংথৌরোলশিংনসু হেন্না ফজহন্নবা মওংদা কয়া অমা শেমদোক শাদোক্লকখি, কয়া



শরুক্তা য়েকপা খম্বা থোইবীনা লাইমাঙদা জগোয় শাবগী লাইয়েক্তা থোইবীগী ফিজোলবু পোৎলোই ওইহল্লি, ফুরিতনা রেসমগী ওইহল্লি। লাইয়েকশিং অসি মমাঙঙৈ লৈবাক্কী ফক্লাং ওইরিঙৈদা শ্রীনিংথৌজম ভদ্রনা য়েক্লম্ববু, চেক্কী ফক্লাং ওহ্বোরকখিবা মতুংদা অমুক ভদ্রগী ছাত্র শ্রী মংসিদম কলাচান্দনা হান্নগীগা মান্ননা য়েকথোক্লম্বনি। লাই–হরাউবগীদা নত্তনা মৈতৈ নুপীশিংনা পোৎলোই শেৎনরিবা মরুওইবা থৌরম অমনা লুহোংবদনি। মসিদসু য়ুম্নাক অমদি অমা হাপচিল্লকখি। মদুগী ইকোন কোনবা পোৎলোইগী মশক অদুনি ঙসি ঐখোয়না উনরিবসি। অঙনবা মতমদদি পোৎলোইগী মখাদা অথাবা অরিংবা ফিখা হাপ্লগা পোংথোকহনলিবগী মওং অসি তৌরমদে, জোন–জোন তাদুনা খুমীৎ য়ৌনা চোন্না শেৎনরম্মী। হৌজিক্কীদা ঐখোয়না উনরিবা লৈতেংগী মচলশিং (এপ্লিক ৱার্ক) অসিসু হান্নদি য়াওরমদে।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা পুথোকপীরম্বা শ্রীকৃষ্ণগী পোৎলোইদা মখল–মখাগী মচল হাপচিল্লকখিবসি মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ সনা হাক্তক্তনি (খৃঃ ১৮২৫–৩৪) মৈদিংঙু অসিনা জগোয়গা –লীলা (নাটক) গা পুনবা ‘গোষ্ট লীলা’ হায়বা জগোয় মখল অমসু পুথোকপীরম্মী। মসিবু ঐখোয়না হৌজিক ‘ষনশেনবা’ হায়না খঙনরি। কৃষ্ণনা গোপশিংগা ষন শেনবা চৎমীন্নবা হৌখিবা অহানবা নুমিৎ অদুগী ভাবতা য়ুম্ফম ওইরগা শাগৎলম্বা জগোয় লীলানি। মসিদা কৃষ্ণনা শেৎপা ফিজোলগা রাসকীগা খেন্নবা থোইনা লৈতে। গোপশিংনা শেৎপশিংগসু মান্নহল্লি। জগোয় লীলা অসিদা কৃষ্ণনা শেৎলিবা ফিজোলগী লৈতেংদা ‘কজেংলৈ’ হায়বসি হাপকৎলকখিবনি।

কজেংলৈবু শমজিলৈ নৎত্রগা লৈত্রেং হায়নসু খঙনৈ। মসি চীংয়াদা হৌবা খেকৱাই মপানগী মওংলৌদুনা শেমখিবনিনা কজেংলৈ হায়রগা খঙনরকখিবনি। মৈদিংঙৈ গম্ভীর সিংহগী মতুংদগীদি জগোয় রাসতা কৃষ্ণগী পোৎলোইদা কজেংলৈ হাপ্পা চৎনরকখি।

পোৎলোইগী মশাদা অরং–অরাক্লচিংবা তুশিন্দুনা হাপচিল্লকখিবনা চাওরাক্লা নরসিংহ মহারাজগী মতম (খৃঃ ১৮৪৪–৫০) দনি থাজনৈ। অসিদা পোৎলোইদা চমকী থিনবা, সুর্মানচিংবা হাপচিনবদা নত্তনা পোশৱান্দসু কিনারনচিংবা ফেনজিনবা হৌখি। চে কুপ্পা য়াত্তুনা শেম্নগা লুখমদা শমজিরৈনচিংবসু হাপ্নরকখি। মতুং, চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী স্নাহাক্তক (খৃঃ ১৮৫০–৮৬) তদি নুপীগী পোৎলোই মপান্দা মিংশেল মচেৎ থিন্দুনা লৈতেংবা হৌদোকখি। মপান অকোইবদা খোইজাও অকোইবী ময়েক লীদুনা হাপ্পসু হৌদোকখি। মতুং অমুক চুরাচান্দ মহারাজগী মতমদদি গোপীশিংগী বেনিদা (শম্বুলদা) ঝাপা লাকপনচিংবা হাপচিন্দুনা খরগা অমুক শেমদোরকখি। রাধা অমদি গোপীশিংনা থবাকয়েৎ থোনলম্বদুদগী অঙৌবা ইন্নফি অমা থুপ্লগা তুং মাঙদা হাপ্পা, তুংগী ফিজিন অদুনা কোক্তা পুখৎলক্তুনা মায় খুম্বা মওংগী ফিজেৎ অসিসু স্না হাক্তক অসিদা হৌদোক্লম্বনি। মসিবু ফিজাও হাপ্পা হায়রগা খঙনরম্মী। স্না হাক্তক অসিদগী ওইরকখিবা পোৎলোইগী মশকশিং অদুনা হৌজিক ফাওবগীদি অরেপ্পগুম লৈরক্লি। থোইনা অহোংবা লৈরক্ত্রি।

জগোয় রাসকীদমক শীজিন্নরম্বা পোৎলোই শম্পোৎশিংবু খুল্লক–ইরক্তা শেম শাদুনা থম্নরমদে। মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ স্না হাক্তক মমাঙ ফাওবদদি কোনুংদখক নত্তনা খুল্লক্তা জগোয় রাস লিংখৎনরমদে। স্না হাক্তক অসিদগী খুল্লক্তা জগোয় রাস লিংনবা হৌদোক্ল রকখ্রগসু পোৎলোইনচিংবা ফিজোলদি শেম–শাবা ঙম্নরমদবনা কোনুংদগী ৱাইনরুরগা শেৎনরম্মী। অশুম্না চত্থরকখিবা অসি মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মতম )খৃঃ ১৮৯০–৯১) দগীদি, খোংজোম লানগী অথৌবা চীংলেনস্নাগী লোইনবী শ্রীমতি মোইরাংময়ুম ঝুলোনখোম্বীনা (লূখ্রা ওইহৌরবা মতুং) কোনুংগী পোৎলোই মওং য়েংলগা সগোলবন্দগী মোইরাং ময়ুম লৈরক্তা মশাগী হিংনবা শিনফম অমা ওইনা পোৎলোই শুবা (শেম্বা) হৌখি। মতমদুদা মহাক শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগীদা শৃঙ্গার থৌগন য়াওবী অমা ওইরম্মী। মহাক্লা লনাই ওইনা পোৎলোই শুবা হৌদোরকখিবদগীদি সগোলবন্দা পোৎলোই শুফম অহুম থোক্লা লৈরকখি – (১) নিংথেমচা কোল্লুপ, (২) বামোন কোল্লুপ, (৩) মোইরাংময়ুম কোল্লুপ। শিনফম অসি হান্নদি নুপীশিংতনা শুনরম্মী।

মহারাজ চুরাচান্দ সিংহগী মতমদগীদি পোৎলোই শুবগী শিনফম অসি পাকথোক চাওথোরক্তুনা উরিপোক্লোমদসু শুনবা হৌনরকখি। য়ুম্নাম লৈকাইদসু সগোলবন্দগী মোইরাংময়ুম নুপাশিংসু শিনফম অসিদা চংনবা য়াওনরকখি।

পোৎলোইদা লৈতেং ওইনা হাপ্নরক্লিবা পিগ্রাইনা পানা য়ৈথোক্লগা শাবা মচাকশিং অসিদি নুপাশিংতনা শানরকই। শিনফমসিদা ইহান –হান্না খোঙদারকখিবশিংদি উরিপোক্কী কোন্সম শাগৈগী নুপাশিংনি। হৌজিক হৌজিক্তনা মণিপুরগী সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক, উরিপোক, য়াইস্কুল য়ুম্নাম লৈকাই, ৱাঙ্খে নোংমৈবুং, নম্বোল, হৈরোক–ৱাংজিং, য়াইরিপোক, ময়াংইম্ফাল, খুরাইনচিংবা মফমশিংদা মরু ওইনা পোৎলোই শুবগী শিনফম চৎথনরি।